HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





হার্ট পেসেন্টশিং লেম্না পুথোক পুশিন তৌনবগীদমক স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্টরগী চেয়রমেন ডা. লাইরিকয়েংবম শ্যামকিশোরনা লায়েংশঙ অসিগী ফ্রী এম্বুলেন্স অমা লমথাখিবা


লৌমীগী খোঙজং মতম খরগী হন্দোক্লে
☛ লামায় ২

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)
লামায় ৪

'এসেমব্লীদা মণিপুরগী ৱাথোক্কী সোল্যুসন পুরক্লবা খন্নগদবনি'
☛ লামায় ৬

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'
☛ লামায় ৯


রিমসকী বেন্টিং হোলদা কোন্টিনিয়ুয়িং মেদিকেল এদ্যুকেসন প্রোগ্রামগী মখাদা ভর্টোপসি : এ ন্যু ফেজ ইন ফোরেন্সিক ওপটোপসিগী প্রোগ্রাম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 47, Issue No. 310 | নোংমাইজিং, ৱাক্চীং ফাইরেনগী নীনি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, February 11, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


মণিপুর লৈঙাক্না হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবা চুন্ত্রা

# অনৌবা রিক্রুটমেন্টশিং পাঙথোক্লবা মফি শেম্লক্লবা লৈঙাক পেন্সনরশিংদা পীথোকফম থোকপা শেন্দোলনা মখ্বাং কোইরে

## থবক্তগী পোত্থারবশিংদা পীথোকফম থোক্লিবা রিটাইরমেন্ট বেনিফিটকী লুপা ক্রোর ১০০০ রোম লৈঙাক্না পীথোকপা ঙমদ্রে

## রিটাইরমেন্ট বেনিফিটকী শেনফম্না মশাগী অনাবা লায়েংজগে খঞ্জবা অহলশিং শেল ফংদবদগী শিবা য়াওরে

দোনাল্ড সাইরেম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :** হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক্না কেবিনেট মীফমশিং মথং-মথং পাঙথোক্তুনা হোম দিপার্টমেন্টকীনা অহাঙবা পোষ্টশিং চাদা ১০০ মেনশিল্লগনি অদুগা অতোপ্পা লোয়শঙশিংগীনা চাদা ৫০গী চাংদা মেনশিল্লগনি হায়বদগী লোয়শঙ অয়াম্বনা অনৌবা রিক্রুটমেন্টশিং পাঙথোক্লবগী মফি শেম্বা হৌনরক্লবসু লৈঙাক্কী মখাদা মতম শাংনা মথৌ পাঙথোক্লল্লবা মতুংদা থবক্তগী পোত্থারগা ফংফম থোকপা রিটাইরমেন্ট বেনিফিটকী ওইনা লুপা ক্রোর লিশীং ১ রোম পীথোক্তনা লৈরকপনা লৈঙাক অসি পেন্সনরশিংগী শেন্দোলনা মখ্বাং কোইরে হায়বা য়ারকপগা লোয়ননা পীথোকফম থোক্লিবা শেনফমশিং পীথোকপা ঙমদ্রিঙৈদা অনৌবা রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্লনবা হোৎনরক্লিবসি হৈরাংলিঙৈদা য়ুরাংবগী থৌদোক ওইগনি হায়না পেন্সনরশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরম্বদগী সর্ভিস তৌবগী মতম শুরদুনা পোত্থারবা মীওইশিংগী পীথোকফম থোক্লিবা অসুক য়ামখ্রবা শেনফমশিং হৌজিক ফাওবদা পীথোক্তনা লৈরক্লিবসি পেন্সন ফংলবশিংদি থবক শূবা ঙমদ্রবনি হায়দুনা লৈঙাক্না মীরাইরব্রা হায়বগী ৱাহং ফাওবা হংলক্লে।

পেন্সনরশিংগী য়াল্লবা শেনফমশিং পীথোক্তনা লৈরকপগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা লৈঙাক্কী থবক্তগী পোত্থারবশিংদা পীফম থোক্লিবা রিটাইরমেন্ট বেনিফিট হায়বসিদা কম্পোনেন্ট মঙা য়াওই। মখোয় অদুদি কম্যুটেসন, গ্রেচুইটি, জেনরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ১




# দিমান্দ মতম খরা লেপ্পীয়ু, ওইল পম্পশিং থোঙ লোনগদৌরে : এ এম পি দি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :** তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙা - ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা থাওগী পম্পশিংদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও) শিং য়াওনা লূপ কয়ানা পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরকপদগী ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম দিলরসকী মখাদা চলাইরিবা ওইল পম্পশিং থোঙ লোনবগী ফীভমদা লৈরে হায়না ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম দিলরসকী ৱাঙাঙলোই অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা লান মনুংসিদা পেট্রোলিয়ম দিলরশিংগী মখাদা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা হাংলিবা ওইল পম্পশিংগী মপূশিংনা তোঙান তোঙানবা লূপশিংদা হান্নদগী হৌনা অঙম্বা মতেংশিং পাংদুনা লাক্লি। অদুবু হন্দক নৌহৌননা হান্নদগী পাংদুনা লাক্লিবা শেনফমশিং অদুদগী দবল হেনগৎলগা অমুক পীয়ু হায়দুনা দিমান্দ তৌরকপনা দিলরশিংনা ওইল পম্পশিং হাংবা ঙম্লোইদবগী ফীভমদা লাক্লে হায়রি।

ওইল পম্প মপূশিংনা অঙম অঙম্বা মতেং পাংবদা নত্তনা সী এস ওশিং অমদি লূপ খরনসু লুপা লাখ ১ ফাওবগী শেনফম পীনবা দিমান্দ তৌরকখি। মসিগী মথক্তা ওইল পম্পদা গাড়ী থৌজিল্লক্তুনা থাও হাল্লগা শেল পীরমদনা চৎখিবসু কোঙ্গাইনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা ওইল পম্পশিংগী শেল কাউন্টরদগী থাও য়োনবগী অশিৎপা শেল ফাওবা থৌবাল অমদি ককচীংগী পম্প খরদগী নমদুনা লৌখিবসু য়াওরে। লান মনুংসিদা ওইল পম্প অয়াম্বগী ফীভম শোক্লে। হৌজিক ওইল পম্পশিং চলাইরিবশিংগী মনুংদা চাদা ৯৯দি বেঙ্কতগী লোন লৌরগা চলাইবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্না লোনগী ইন্টরেষ্টশিং কোকপীয়ু। মন্থলি ইনকম থিবগী মতম অসিসু য়ারগদি খরা শাংদোকপীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অতোপ্পা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়াওনা অতৈ পোৎ চৈশিংগীদি মমল খরা হেনগৎনা য়োনবা য়াই অদুবু ওইল পম্পশিংনা থাওগী মমলদি হেক্তা হেনগৎলুবা ঙমদে। মরম অসিনা মণিপুর পূম্বগী ওইনা লৈরিবা পেট্রোলিয়ম দিলরগী কাঙবুনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি মীয়াম্নসু খঙবীদুনা ওইল পম্পশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌরক্লিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মতম খরা লেপ্পীয়ু। মসি নৎত্রবদি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ওইল পম্পশিং থোঙ লোনশিনবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বে লৈরক্ত্রে হায়নসু মহাক্না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পাউগী মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা ওইল পম্পশিংগী মপূশিংসু শরুক য়াখি।

# লোক সভা মীখল মমাঙদা সী এ এ চৎনহনগনি : অমিট শাহ

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ১০ (এজেন্সী) :** লাক্লিবা এপ্রিলগী অহুমশুবা চয়োলদা পাঙথোক্কনি পান্নরিবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা লৈবাক অসিদা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) চৎনহনগনি হায়না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, সী এ এ অসি লৈবাক অসিগী লোনি অমসুং লোক সভা মীখলগী মমাঙদা মসিবু চৎনহন্নবা নোটিফিকেসন থুনা থোক্লগনি। মসিদা মীয়াম্না চমন্নবা পোক্লিংঙাই লৈতে। সী এ এ চৎনহল্লকপদা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমত্তদা চৈথেং পীরোই। ঐখোয়গী মুসলিম ইচিল ইনাওশিংনসু এক্ট অসি চৎনহল্লকপদা মখোয়বু তোখায় তাহনখিনবগী এক্টসিদা ৱারোল য়াওদবনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# ইম্ফাল-পাঙ্গৈ লম্বী কোমকুৎ লম্বী ওল্লে শেমদ্রবদি থিংজিল্লগনি : কম্মিটি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :** ষ্টেট হায়ৱেশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফাল-পাঙ্গৈ লম্বী অসি চহী ১০ হেন্না শেমজিনবীরক্তবনা কোমকুৎ লম্বী ওইরকপদগী মখল পুম্নমক্কী গাড়ীশিং খক্তা নত্তনা খোঙনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা কা হেন্না খুদোং চাহন্দ্রে।



লম্লোং থোংখোঙদগী হৌরগা মরু ওইবা লোয়শঙ কয়া - মণিপুর পুলিস ট্রেনিং কোলেজ, তরুকশুবা আই আর বি, ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি অমদি সৈনিক স্কুল য়াওনা মহেশঙ কয়াসু লৈরিবা লম্বী অসি মতম মতমগী মতুংইন্না পোটহোল খক্তমক মেন্দুনা লাক্লগা নীংথিজনা শেমজিনবীদবদগী কোমকুৎ লম্বী ওল্লকপনি। ইম্ফাল-পাঙ্গৈ রোদ জোইন্ট দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী চেয়রমেন য়ূম্নাম ভিমনা ঙসি খুরাই নান্দৈবম লৈকায়দা লৈবা সোসল ষ্টের দর ক্লবকী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লম্বী অসি মমাঙ থাগী ১০দগী হৌরদুনা চীফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫


# ইম্ফালদা লাক্কদবা এয়র ইন্দিয়াগী পেসেঞ্জর ৫২ গুৱাহাটি এয়রপোর্টতা পন্দুনা লৈখ্রে

**গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ১০ (এজেন্সী) :** ঙসি অয়ুক পুং ১০.২৫দগী গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর এ আই ৮৮৯দা তোংদুনা লাক্কদবা নুপী অঙাং, অহল ওইরবশিং অমসুং অনা-অয়েকশিং য়াওনা পেসেঞ্জর ৫২বু ফ্লাইট অসি হঞ্জিন-হঞ্জিন থেংথহন্দুনা পাইরকখিদবদগী গুৱাহাটি এয়রপোর্টতা পন্দুনা লৈখ্রে।

পাউ অসিনা হায়বদা থৌদোক অসি এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটসিনা দেল্লীদগী থেংথরকপনা মরম ওইরদুনা গুৱাহাটি এয়রপোর্টতগী ইম্ফাল তম্না পাইরকপা ঙমখিদবনি হায়রি।

খুদোংথীবা মায়োক্লরবা পেসেঞ্জরশিংদা এয়র ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হয়েং অয়ুক মখোয়বু ইম্ফাল তম্না থিন্নবগীদমক ফ্লাইট অমা এরেঞ্জ তৌরগনি হায়নদি খঙহল্লকপা লৈরে। অদুম ওইনমক ৱাফম অসি তশেংনা শোয়দনা থবক্তা ওন্থোক্লগদ্রা হায়বগী মতাংদদি এয়র ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চপ চাবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

ঙসিগী ওইনদি পেসেঞ্জরশিংসি গুৱাহাটি এয়রপোর্টতা পন্দুনা লৈরে হায়রি।

HL-B/8549/11


# জীপসি মনুংদা নুপা ১গী হকচাং য়াওরম্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা জেনিমসকী কমপ্লেক্স মনুংদা খামদুনা লৈরম্বা মারুটি জীপসি অমগী মনুংদা নুপা অমগী অশিবা হকচাং য়াওরম্লে।

অশিবা হকচাং য়াওরম্বা জীপসি অদু জেনিমসকী মমাঙ থংবা গেট মনাক্তা লৈবা এস বি আইগী এ টি এম বূঠ মনাক্তা থম্লম্বনি। অদুম ওইনমক মীওই অদুগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


# খুল ঙাকপশিংনা মোলহাম কুকি খুল খুদুম চনখ্রে পম্পীশিং ফাগৎখ্রে, পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎখ্রে



## মফম খঙদ্রিবা খুল ঙাকপা অমগী ইমুংনা পুলিসতা মিসিং রিপোর্ট ফাইল তৌরকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তুমুরোক্তা লৈঙোই পেকপা মীচম শিন ম্নাশিং পুল্লপ হাৎনবা থৌরাং তৌরদুনা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিল্লক্তুনা লৈঙোই হাপ্পবা ত্রকশিং ফাওবা অকায় অতোয় থোকহল্লম্লবা মতুংদগী খুল ঙাকপশিংনা মখোয়বু মায়োক্লনবা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপদা মোলহাম কুকি খুল মপূং ফানা খুদুম চনশিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শীজিন্নরম্বা লোকল মেদ মোর্টর (পম্পী) কাপ্লবা খূৎলায় খরসু ফাগৎপা ঙমখিবদা নত্তনা একর ৩০ রোম চাউবা চীংমাইদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিংসু য়ান্থৎখ্রে ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

HL Poll

Q : Lok Sabha Electiongi mamangda chatnaragadaba CAAgi mayokta Manipurgi meeyamna amuk hanna akanba ihou changsillakdara?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : February 28dagi Assemblygi meepham famgani hairibasida Manipurgi Langa mari leinaba wapham khannaduna warep lourakani thajabra?

Yes 22% No 78%

## অস! লোইরেহে!

- ঐগী স্কিম ময়াম নখোয়না লৌথবা হৈতদুনা নখোয় লায়ররে।



- লৌথবা হৈবা সারখোয়দি ইনাক খুল্লে।

# মোরে টাউনবু কুকিনা কন্ট্রোল তৌদনবা লৈঙাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগদবনি

## হকথেংনবা পাউদম

*মোরে তুরেল ৱাংমা লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭কী খুঙ্গা*

(ঙরাংগী মখা...)

মোরে তুরেল ৱাংমা লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭তগী অহন্থেম ইবোহলনা মখা তানা হায়, হৌজিক মোরেদা হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল (ঐচ টি সী) গী ওফিস লৈরিবা মফম অসি হান্নদি নাগাশিংনা লৈরম্বা মফমনি। অদুবু নাগা-কুকিগী লান মতুংদা কুকিশিংনা লৈশিল্লকখিবনি। মসিদা নত্তনা হৌজিক্না ন্যু মোরে হায়না খঙনরিবা মোরে হায় স্কুলগী মনাক অসিসু হান্ননা নাগাশিংনা লৈরম্বা মফমনি। অদুগা টি মিনৌ অমসুং হাওলেনফাইনচিংবদা অনাল, লমকাং অমদি মরিংনচিংবা ফূরুপকী মীওইশিংসু লৈরম্মী। মতম অদুদদি মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফূরুপশিংনা অচৌবা ইমুং অমগুম্না অরৈ লৈত তান্নদুনা য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বনি।

শেন্থোক লম্বী নেম্বা মীওই কয়া মোরেদা লাক্লগা মানা-মানা ঙমজবা শিনফম পায়দুনা শেল তান্নবা হোৎনজবনি। খৎন-চৈনবা অমদি মূক্লবা অমত্তা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা থোকখিদে, অমগা অমগা য়েংথিনবসু লৈতে। অদুবু মোরে অসি হৌজিক কুকি রিফ্যুজি ময়াম চঙলকপদগী মখোয়না মশীং হেনগৎলক্তুনা মখোয়গী খূবাম্মুংদা থম্নবা কন্না হোৎনরক্লি। মোরেদা লোনা য়াদবা মওংদা ইম্ফালদগী মোরে চেনবা গাড়ীশিংদগী নৌনা লাকপা কুকিশিংনা লৌরিবা টেক্সশিং অসি হোম দিপার্টমেন্টনা মতম চানা লাকশিলহৌদবদগী ঙসিদি মখোয়না মণিপুরগী মীয়াম্বু নমশিল্লগা থম্নবা হোৎনরক্লে।

মোরেবু কুকিশিংনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরক্লিবসি য়াদে হায়বা অমা খঙহন্নবা চৈবী-চৈথেং পীদ্রগদি মখোয় হনগদবা মান্দে। মখোয়গী থৌওং অসিদি ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বদুগী ফীভমদা চঙশিল্লকপনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৭তা মোরেদা লৈবা মীতৈগী মশীং লিশীং ৩ ওইবা মতমদা কুকিশিংগী মশীংনা লিশীং ১০গী মথক্তা ওইখি। কুমজা ২০১৫দা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭